## GAS NEWS

**M /S R&H INDANE SERVICE IRILBUNG**
**Booking. Upto : 01/09 2020**
Valid from : 15/08/2
Stock : 306Nos.
Home Dellivery & Booking contact Nos. 8414824977/ 8413936705/8132036940/ 9366013547
**TANGLEI GAS OINAM**
V/f : 14-10-20
**B/upto : 15-10-20**
Stock : 306
7am to 10am
**IMPHAL LPG SERVICE**
Home Delivery
**Booking : 28/11/20**
Summit house no. LPG ID no Address with land mark also digital transaction and online payment encouraged
5.kg 19.kg available
Enquiry numbers 6009392991 8014389420, 9612718751
Enquiry time 8.30 to 1.pm
please do not contact driver and handy man except office no i.e. office no
**TDK GAS**
**BK. UPTO : 07/10/20**
VF : 05/10/20.
HOME DELIVERY
ONLY CONTACT NO: 69O9614353/8731992324
**LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING**
**BOOKING UPTO:22-10-2020**
VALID FROM : 15-10-2020
**STOCK : 612**
HOME DELIVERY ONLY
CONTACT NOS: 9862836403, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM
**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 12/10/2020
**BOOKING UPTO: 15/10/2020**
BOOKING ONLY:3852444677
ENQUIRY ONLY:9436280866
TIMING: 8:00AM to 12:00PM
Mahalaksmi Indane Gas
**Bk. upto : 27-10-2020**
Valid from : 21-10-2020
Home delivery only,
Cont. Timing - 8 am to 11 am.
For Office plz cont. # 9862312969 # 8414929709,
For home delivery plz cont. 8414944010, 7005573790, 9366735870,
Booking : After 15 days from delivery.
**M/S Misao gas service**
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto 14.2kg- 22/11/2020
Valid from-24/10/2020
***19kg Available
For delivery service
Please contact -7085738631 or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM
**MM GAS SERVICE**
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING:8:00amto12:00Noon
**BOOKING:14.10.20**
VALID : 07.10.20
FOR ALL THANGMEIBAND, LAMPHEL 8131852580, 9774722106, 9089370369
FOR ALL WAHENGBAM LEIKAI, KEISHAMPAT, KEISHAMTHONG, KHAGEMPALLI, KWAKEITHEL, GHARI, SANGAIPROU, CHANGANGEI, MALOM, YAISKUL, SINGJAMEI, KAKWA, HEIRANGOITHONG, HAOBAM MARAK, PISHUM, MONGSANGEI, LANGTHABAL, SAGOLBAND, TABUNGKHOK, PATSOI, YUREMBAM, SAGOLTONGBA, LANGJING, SALAM, LANGOL,URIPOK,SINGDA, LAMDENG, AKHAM, MAYANG LANGJING 8131942156,7630902992, 7627968997
FOR IMPHAL EAST AREA 7005281388, 6009885600
FOR OTHERS AREA 9612009063, 7628094160
DELIVERY WITHIN 3 DAYS
**HIYANGTHANG INDANE**
**Booking : 03-10-20**
Valid : 01-10-20.
Only home del. Service.
Whatsapp no. 7085557686.
Office no. 6381538861.
Timing 7.a.m.to 11.a.m.
**Stk. : 306.**
**KHUMBONG INDANE**
**Booking upto : 01-10-20**
Only home delivery ( within 3 days )
Contact no.7005771527
Office no. 9774068549
Whatsapp no. 8794973019
Time 7.30am to 10.am
**GBD Indane Service**
**Booking upto :-22/10/2020**
Valid from :- 08/10/2020
**Stock :- 396**
All Customers are Home Delivery (Delivery within 4 days) Working hours 7:30 AM-12 Noon (Everyday Except Holiday ) Contact no. 7629947179 and 7629947187 for Refill Order and Enquiry
**M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE**
**BOOKING UPTO :11/09/20**
Valid from : 08/09/20
Time: 11am to 2pm
Any enquiry and booking Contact no. 7629045883
**MANIPUR GAS SERVICE**
**Booking up to : 04/11/2020**
Valid from 16/10/2020
Home Delivery Only....
Contact no: 8730954041, 8259969582, Office Timing: 8 am to 12.00noon
Note:- DELIVERY TIME WILL TAKE 4 DAYS
**MAIBIA GAS MOIRANG**
**BOOKING UPTO: 22/10/2020**
VALID FROM :19/10/2020
**STOCK= 612;** (HOME DELIVERY SERVICE),CONTACT NOS. 1.DILIP-9612883295 (MOIRANG A/C). 2.AJAY--7005667570 (THANGA A/C), 3.AMARJIT-9862710469 (KUMBI A/C).BOOKING CONTACT NO. 7085972248. TIMING--8 AM TO 12 NOON.

# এল দি এগী মথক্তা লৌখৎপা পি আই এলগী হীয়ারিং মখা চঠখিগনি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৩ (ঐচএনএস): হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা মশাগী মোশনদা লোক্তাক দিভলপমেন্ট ওথোরিটি (এল দি এ)বু নোটিশ ইনভাইটিং টেন্দর (এন আই টি) গীদমক লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎহন্নবগী মতাংদা লৌখৎখিবা পব্লিক ইন্টরেষ্ট লিটিগেশন (পি আই এল) অমগা মরী লৈনবা মিসেলিনস কেস (পি আই এল) নম্বর-১৪ ওফ ২০১৯গী হীয়ারিং মখা চঠনবা মতম লেপখ্রে।

এল দি এনা এন আই টিগী প্রোসেস হৌহন্নবগীদমক ষ্টেট ওফ মণিপুরগী মথক্তা লৌখৎখিবা পি আই এল অদুগী নম্বরনা ২৪ ওফ ২০১৭নি। অদুগা মিসেলিনস কেস অসিনা লোক্তাক দিভপলমেন্ট ওথোরিটিগী মায়কৈদগী পি আই এল অসিগা মরী লৈননা ফাইল তৌরকখিবনি।

মেট্টর অনীমক ঙরাং চীফ জষ্টিস রামালিঙ্গম সুধাকর অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোল অনীগী দিভিজন বেঞ্চতা লিষ্ট তৌদুনা লৌখৎখি। কোর্টনা মেট্টর অসিগী মতাংদা খন্নরকপদা মসিগী এমিকস ক্যুরি কেঐচ সমরজিৎনা পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপখি। অদুম ওইনমক, এম সি (পি আই এল) নম্বর-১৪ ওফ ২০১৯গী এপ্লিকান্ট ওইরিবা এল দি এগী মায়কৈদা লেপখিবা এদিশনল এদভোকেট জেনরেল লেনিন হিজমগী মায়কৈদগী মরী লৈনরিবা ষ্টেট অমসুং সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতগী কেস অসিগা মরী লৈননা 'ৱাইজ য়ুজ পোলিসি' গীদমক লৌফম থোকপা ৱাফমশিং লৌননবগী মতম পীবিনবা কোর্টতা হায়জখি। লোয়ননা কেস অসিদা য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদা লেপ্লিবা এসিষ্টেন্ট সোলিসিটর জেনরেল এস সুরেশকী মায়কৈদগীসু গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াদগী মরী লৈনবা ৱাফমশিং লৌনবগী মতম পীবিনবা কোর্টতা হায়জখি।

কোর্টনা এদিশনল এ জি অমসুং এ এস জিগী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা মসিদা অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা মেট্টর অসি থা অসিগী ১৫ দা মখা তানা খন্ননবগীদমক লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি।

# এম য়ুদা এদমিনিষ্ট্রেটিভ ফেলর ওইহল্লবদি অকনবা খোঙজংশিং চঙশিল্লগনিঃ মুসু

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৩ (ঐচএনএস): হৌজিক মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা অনৌবা সেসন হৌনবগী শেম-শাবা অমদি সেসন লোইখিবা য়াম্না চিরবা তাঞ্জাসিদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী এদমিনিষ্ট্রেটিভ ওথোরিটিগী খ্বাইদগী মরু ওইরিবা ফম ভাইস চান্সেল্লর লৈতনা থম্বা অসিনা মহৈরোয়শিংদা অচৌবা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নহল্লে হায়রি।

ৱাফম অসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্ট্স য়ুনিয়ন (মুসু)গী প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম বোবিনা খূৎয়েক পীদুনা থোরকখিবা চেরোল অমনা হায়বনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, হৌখিবা নভেম্বর ৩০দা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এদমিনিষ্ট্রেটর জর্নেল সিংহগী মতম লোইখিবগা য়ুনিভর্সিটি অসিদা ভি সি ইন-চাজ´গী ফমসু হাংদুনা লৈরি। হান্না মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভি সি ওইরম্বা এ পি পান্দেনা দিল্লি হায় কোর্টতা কেস থাজিন্দুনা লৈখিবদগী এম য়ুগী রেগ্যুলর ভি সি হাপ্পা ঙমদদুনা লৈরিবনি। কেস অসি লোইশিন্দ্রিবা ফাওবা রেগ্যুলর ভি সি অমা হাপ্লকপগী ৱাফমসু লৈত্রি। মরম অসিনা এম য়ুগী ওথোরিটিনা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ এদ্যুকেশন্দা ভি সি ইন-চার্জ অমা হাপ্পীদুনা ইন্টরিম এরেঞ্জমেন্ট অমা তৌবীনবা রিমাইন্দর অনীরক থাখিবসু লৈরে হায়রি। অদুবু লাইবক থিবদি হৌজিক ফাওবা ইন্টরিম এরেঞ্জমেন্ট অমত্তা তৌবীরক্ত্রে। মসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অমদি মসিগী ফ্রেটরনিটি মরু ওইনা মহৈরোয়শিংবু মীরাইবনি হায়না মুসুনা হকচিন্না লৌই। মসি মেনলেণ্ড ইন্দিয়াদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি অমদা থোক্লম্লবদি লৈবাক শরা শনগদবা ইস্যু ওইরমগনি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা তমজিরিবা মহৈরোয়শিংগী খনবীরগা অথুবা মতমদা কোর্টতা লৈরিবা কেস অসি লোইশিনবীদুনা রেগ্যুলর ভি সি অমা হাপ্পীরক্নবা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ এদ্যুকেশন্না হোৎনবীয়ু। লোয়ননা কেস অসি লোইদ্রিবা ফাওবগী ওইনা ভি সি ইন-চার্জ অমা হাপ্পীদুনা ইন্টরিম এরেঞ্জমেন্ট অমা অথুবদা শীনবীয়ু। মসিগা মরী লৈননা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনসু মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রি অমদি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা তকশিনবীনবা মীৎয়েং চঙশিল্লক্লি। করিগুম্বা য়ুনিয়ন ওফ এদ্যুকেশন্না অথুবা মতমদা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎতদুনা এদমিনিষ্ট্রেটিভ ফেলর অমদি হেন্না খুদোংচাদবশিং থোকহল্লবদি মহৈরোয়শিংগী ইন্টরেষ্টতা অকনবা খোঙজংশিং চঙশিল্লগনি হায়রি।

## তোপ-তোপ্পা টেলেন্ট কয়া লৈ...

*লামায় ১গী মখা...* থৌরমদা মিনিষ্টর হেনরিনা হায়খি, পর্সন ৱিথ দিসএবিলিটিজশিংগী টেলেন্টশিং ঐখোয় খূদিংমক্না মশক খঙবীবগা লোয়ননা মখোয়না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্ননবা হোৎনসি। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা দিফরেন্টলি এবল্ড পর্সনশিংগী য়াইফন্নবা চীফ মিনিষ্টরগী শোত্থরবশিংগী তেংবাং (সী এম এস টি) য়াওনা তোঙান-তোঙানবা স্কিম কয়া পায়খৎলি। স্কিমশিং অসিনা পর্সন ৱিথ দিসএবিলিটিজশিংদসু কান্নবা কয়া ফংহনখ্রে।

লৈঙাক অসিনা পর্সন ৱিথ দিসএবিলিটিজশিংগী স্কিল দিভলপমেন্ট ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমসু অথুবা মতমদা পায়খৎলগনি। লোয়ননা অনৌবা স্কিম অমদি প্রোজেক্ট কয়াসু পাইপ লাইনদা লৈরে। চীফ মিনিষ্টরগা তান্নদুনা অয়াবা লৌরবা মতুংদা অথুবা মতমগী মনুংদা লোঞ্চ তৌরগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা সোসল ৱেলফ্যেরগী দিরেক্টর এন জি উত্তম অমদি ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

## মণিপুর লৈঙাক্না ৱাখল খন্থবীরগা...

*লামায় ১গী মখা...* কোংগ্রেসনা আপিল তৌজরি। মসি কোংগ্রেস পার্টিনা কল্লক্তুনা হায়বা নত্তে। ষ্টেট অসিবু মিংচৎ থিহন্নিংদবগী হায়জবনি।

হৌজিক্কী মতম অসি ইন্টর্নেটকী মতমনি হায়বসি পুন্নমক্না খঙলবনি। কনানা কনানো হায়বা মীকুপ অমদা খঙলবা ঙাক্তনি। চীফ মিনিষ্টর মশামক্না দিল্লিদা চৎতুনা লৌরকখিবা চেম্পিয়ন্স ওফ চেঞ্জ এৱার্দ ২০১৮ অদুগী অকুপ্পা ৱারোলশিং অমুক্তা নৈনদুনা য়েংবীয়ু হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৩(ঐচএসএন): বি বি পাউল্ল মেন্টল দিভেলপমেন্ট হোম মোংশাঙ্গৈ হৌদোরকপদগী মহৈরোয় ওইরক্লবা উরিপোক্তগী থাংজম পিঙ্কিনা থা অসিগী ১দা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা ওর্গনাইজেসনগী এগজিক্যুটিব মেম্বরশিং অমসুং ষ্টাফশিংনা মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্পুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়না ওল মণিপুর মেন্টেল্লি হেন্দিকেপ পর্সন'স ৱেলফ্যের ওর্গনাইজেসনগী সেক্রেটরি ৱাই ইবেচাউবীনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

লৈখিদ্রবা থাংজম পিঙ্কি ওর্গনাইজেসন অসিগী জোইন্ট সেক্রেটরি থাংজম শরটকুমারগী মচানুপানি। অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অদুদা লৈখিদ্রবনা মথংগী মপোক্তা অফবা মীওই ওইনা পোক্লবগীদমক তাইবং মপুদা থৌনিজখি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## সলাইগী মেনেজিং দিরেক্টর য়াওনা মীওই ২...

*লামায় ১গী মখা...* কোর্টতা পুথোরকখ্রে।

ঙসি মখোয়বু ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি অসিনা ইম্ফালগী উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈবা স্পেসল জজ (এন আই এ), মণিপুর মাইবম মনোজকুমারগী কোর্টতা পুথোরকখিবনি।

এন আই এগী মায়কৈদগী কোর্ট অসিদা সবমিট তৌরকখিবা মীওই অনীসিবু মখোয়গী কষ্টদিদা রিমান্দ পীবিয়ু হায়জরকখিবা প্রেয়রদা ফোঙদোকখিবশিংগী মনুংদা ঈ ব্রোজেন্দ্রোদগী মহাক্কী ভোট্টর আইদেন্টিটি কার্দ, পান কার্দ, দ্রাইভিং লাইসেন্স অমসুং অমুবা মচুগী আই ফোন অমা রিকোভর তৌরে। অদুগা এন বিশ্বজিৎতগী অমুবা মচুগী আই ফোন-১১ (প্রো মেক্স) অমা সীজ তৌরে হায়দুনা মখোয়গা লোয়ননা কোর্টতা পুথোরকখি। এন আই এগী মায়কৈদগী মখোয় অনী অমসুং মখোয়দগী সীজ তৌরে হায়রিবা পোৎলমশিং অসি কেস অসিগী এসিষ্টেন্ট ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসর ওইরিবা বিনোদ ভগৱন কদমনা পুথোরকখিবনি। লোয়ননা মখোয় অনীবু ঙসিদগী থা অসিগী ৫ ফাওবা নুমিৎ হুম্নিগী মখোয়গী কষ্টদিদা রিমান্দ পীবিনবা প্রেয়র তৌরকখিবনি।

এন আই এগী রিমান্দ প্রেয়র অসিগা ইরোয়ননা মখোয়না একুজশিংনি হায়দুনা চার্জ তৌরক্লিবা ঈ ব্রোজেন্দ্রো অমসুং এন বিশ্বজিৎকী মায়কৈদগীসু মখোয় অনীবু কেস অসিদগী বেল পীবিনবা কোর্টতা প্রেয়র তৌখি।

এন আই এগী মায়কৈদা লেপখিবা মখোয়গী স্পেসল পব্লিক প্রোজিক্যুটরনা কোর্টতা ফোঙদোকখিবদা, নারেংবম সমরজিৎ হায়রিবা মীওই অসিদি হৌখিবা কুমজা ২০১৯গী জুন ২৮দা মহাক লৈবাকসিগী ৱাংমদা থবক খরগীদমক মতম শাংনা চখোল্লগনি হায়দুনা রিজিগনেসন তৌরমখ্রবনি হায়খি। অদুবু ঙসি এন আই এনা কোর্ট অসিদা পুথোরক্লিবা একুজ অনী অসিনদি এন সমরজিৎনা মফমসি থাদোক্তুনা চৎখিবা অসি শুপ্পনতগী ওক্টোবর ৩০, ২০১৯খক্তদা খঙই হায়না ফোঙদোকই হায়খি। লোয়ননা স্পেসল পি পি অসিনা চয়েৎনরিবা ৱাফম খরগী মতাংদা একুজ অনী অসিনা নীংথিজনা কোওপরেসন পীদবনা কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেসন চঠনবগীদমক মখোয়বু কষ্টদিদা থমদুনা ৱাহং-পাউহং তৌবগী তঙায় ফদবা লৈ। মরম অদুনা নুমিৎ হুম্নিগী কষ্টদি রিমান্দ পীবিনবা প্রেয়র তৌখি।

অমরোমদা, এন আই এনা একুইজশিংনি হায়দুনা চার্জ তৌরক্লিবা মীওই অনীসিগী মায়কৈদা লেপখিবা কাওন্সেলনা কোর্টতা ফোঙদোকখিবদদি নারেংবম সমরজিৎনা মণিপুর থাদোক্তুনা চৎখিবগা মীওই অনীসিগা মরী লৈনদে। লোয়ননা এন সমরজিৎনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং অদুদা মীওইশিং অসিগা মরী লৈনহনবা লোগী মীৎয়েংদা য়ারোই। মীওই অনী অসিদি মরাল লৈতদবশিংনি। মরম অদুনা মখোয়বু কেস অসিদগী বেল পীবিয়ু হায়জখি।

কোর্টনা নাকল অনীমক্কী কাওন্সেলশিংগী ৱাফমশিং তাবগা লোয়ননা একুজনি হায়রিবা ঈ ব্রোজেন্দ্রোগী মায়কৈদগী কোর্টতা ফোঙদোকখিবা ৱাফমসু তাখি। মহাক্না হায়, ঙরাং রিম্স হোস্পিটালদা মহাক্কী ব্লদ প্রেসর চেক তৌরুবদা মহাক্কী বি পি অসি ১৬০/১০০ লৈরমখি। লোয়ননা এল-৪ অমসুং এল-৫৬ কী সর্জরি তৌরুবনা মরম ওইদুনা মঙোন্দা অনাবসু ফাওই হায়খি।

একুইজনি হায়রিবা এন বিশ্বজিৎকী মায়কৈদগীদি মঙোন্দা ফিজিকেল প্রোব্লেম অমত্তা লৈতে হায়খি। লোয়ননা একুইজ অনীমক্না ঙরাংদগী ঙসি ফাওবদা এন আই এগী কষ্টদিদা লৈরকপদা ফূ-চৈবা নৎত্রগা টোর্চর তৌবগী থবক অমত্তা লৈখিদে হায়নসু কোর্টতা ফোঙদোকখি।

কোর্টনা মীওই অনী অসিগী ৱারোলশিং তারবা মতুংদা এন আই এগী প্রেয়র অসিদা অয়াবা পীনবগী মরমশিং য়াওই হায়রদুনা মখোয় অনীবু নুমিৎ হুম্নিগী ওইনা থাসিগী ৫ গী অয়ূক পূং ১১ ফাওবা এন আই এগী কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখি। লোয়ননা এজেন্সি অসিগী এসিষ্টেন্ট ইনভেষ্টিগেটিং ওফিসর (এ আই ও) পুরিবা বিনোদ ভগৱন কদমদা পূং ৪৮ খূদিংগী মীওই অনী অসিবু মেদিকেল প্রক্টিসনরশিংগী মমাঙদা পুথোক্তুনা ইগজামিন তৌনবা দিরেক্সন পীখি। অদুগা মীওই অনী অসিগী মায়কৈদগী মখোয়বু বেল পীবিনবা ফাইল তৌরকখিবা এপ্লিকেসনশিং অদুগী মতুং ইন্না ক্রিমিনেল মিসেলিনস (বি) কেস ওইনা রেজিষ্টর তৌনবা দিরেক্সনসু পীখি। মখা তানা একুইজনি হায়রিবা মীওই অনী অসিগা এন আই এগগী মায়কৈদসু মথংশীৎনা মখোয়গী এদিসনল এপ্লিকেসন ফাইল তৌনিংবা লৈরগদি তৌরক্নবগী অয়াবা পীখি। অদুগা এন আই এদনা বেল ওবজেক্সন তৌরক্নবগী অয়াবা পীখি। অদুম ওইনমক, মীওই অনী অসি থা অসিগী ৫গী অয়ূক পূং ১১ দা কোর্ট অসিদা পুথোরক্নবা খঙহনখি।

# ক্রিমিনেল কেসশিং লৌখৎপা এম পি-এম এল এশিংগী পি আই এল
# লো সেক্রেটরিনা এফিদেভিট ফাইল তৌরকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৩ (ঐচএনএস): সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা অস্বিনি কুমার উপধ্যায় অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া এন্দ অনদরগী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা সিভিল রিট পিটিশন অমগী ৱায়েলদগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা ষ্টেট অসিগী ক্রিমিনেল কেসশিংদা চেন্নবা ফোর্মর অমসুং সিটিং এম পি/এম এল এশিংগী মতাংদা পি আই এল ওইনা সুও মোট্টুদা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখিবা কেসতা মণিপুর লৈঙাক্কী সেক্রেটরি (লো)গী মায়কৈদগী মহাক্কী এফিদেভিট ফাইল তৌরকখ্রে।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা লৌখৎখিবা পি আই এল অদুগী নম্বর ৩৮ ওফ ২০২০নি। পিটিশন অসি ষ্টেট ওফ মণিপুর অমসুং অতোপ্পা মরী লৈনবা ওফিশলশিংবু রেস্পোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লগা মখোয়গী মথক্তা লৌখৎপনি।

পি আই এল অসি কোর্ট অসিগী চীফ জষ্টিস রামালিঙ্গম সুধাকর অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী দিভিজন বেঞ্চনা হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা লৌখত্তুনা খন্নখ্রে। নুমিৎ অদুদা ষ্টেট ওফ মণিপুরগী মায়কৈদা এদভোকেট জেনরেল নাওরেম কুমারজিৎ অমসুং হায় কোর্টকী পব্লিক প্রোজিক্যুটর আর কে উমাকান্ত অমদি এমিকসক্যুরি ৱাই নিরমোলচান্দনা লেপখি। অদুগা পি আই এল অসিগী রেস্পোন্দেন্ট নম্বর-৭ ওইরিবা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেশন (সি বি আই)গী মায়কৈদনা দল্লিয়ু দারাকিশ্বর (সিনিয়র পি সি সি জি)না লেপ্লগা রেস্পোন্দেন্ট নম্বর-৮ ওইরিবা নেশনল ইনভেষ্টিগেশন এজেন্সি (এন আই এ)গী মায়কৈদনা কাওন্সেল কেঐচ সমরজিৎনা লেপখি।

কোর্টনা এদভোকেট জেনরেল অমসুং কাওন্সেলশিংগী সবমিশনশিং তাখি। লোয়ননা মমাঙ থাগী ২৮ দা পি আই এল অসিগী রেস্পোন্দেন্ট নম্বর-৩ ওইরিবা মণিপুর লৈঙাক্কী সেক্রেটরি লোগী মায়কৈদগী কোর্ট অসিনা পীখিবা নোটিশকী মতুং ইন্না সবমিট তৌরকখিবা মহাক্কী এফিদেভিট অদু কেস অসিগী রেকোর্দতা হাপচিনখি। লোয়ননা পি আই এল অসিগী এমিকসক্যুরি য়াওনা রেস্পোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদা লেপদিখবা কাওন্সেলশিংনা রেস্পোন্দেন্ট নম্বর-৩গী মায়কৈদগী ফাইল তৌরক্লিবা এফিদেভিট অসি য়েংনবগী মতম পীবিনবা হায়জরকপদগী কোর্টনা অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা কেস অসিগী মখা তাবা ৱায়েল চঠনবগীদমক থা অসিগী ৯ দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবা দিরেক্সন পীখি।

# দেল্লিদা মাঙখ্রবা নুপী অমগী খোঙ্গুল লীরুরে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৩ (ঐচএনএস): মমাঙ থাগী ২৪গী নুংথিল পূং ৩.৩০রোম তারকপদা ন্যু দেল্লি-১৪ গী মাদর দাইরি মনাক্তা লৈবা আশ্রমগী সনলাইট কোলোনি-২ গী রূম নম্বর-৪৩০দগী থোকখিবদগী হৌজিক ফাওবা মফম খঙদনা লৈরিবা মীয়ায় চল্লবী নুপী অমগী মতাংদা য়ুনাইটেদ এন জি ও মিশন মণিপুরগী ৱুমেন কম্মিতিগী টিম অমনা খোঙ্গুল লীবগা মরী লৈননা মীওই অসিগী য়ূমদা চৎলুরে হায়রি।

হৌজিক ফাওবা মফম খঙদ্রিবা নুপী অসিগী মমিং শগোলশেম ওংবী তোলিকা (৫৯) কৌই, ইম্ফাল ইষ্ট নোংসুম ভিলেজদগী লৈখিদ্রবা শগোলশেম মুনালগী লোয়নবীনি হায়রি।

মহাক আর কে খেরোদাসনা কৌবা অমনা কেঐচ বিপিনচন্দ্র কৌবা মীওই অমগগী মচাশিং ট্যুশন সেন্টরদা থিন্দোক-থিঞ্জিন তৌবদা মতেং পাংনবগীদমক মহাক্কী ইমুংগী মীওইশিংগী অয়াবা য়াওরগা মমাঙ থাগী ৬ তা দিল্লিদা পুখিবনি হায়রি।

মফম খঙদ্রিবী নুপী অসিগী নোংসুম কৈথেলদা লৈবী মচানুপী সনাহনবীনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না মখোয়গী মমা অসি দিল্লিদা পুদ্রিঙৈ মমাঙদা শগোলমাঙদা হেল্ঠ চেকঅপ পাঙথোকখি। লোয়ননা মমাঙ থাগী ৬তা দিল্লিদা পুরে হায়দুনা খঙহল্লকখি হায়রি। অদুগা মহাকপু মফম অদুদগী মফম খঙদনা মাঙখ্রে হায়বগী পাউনা মমাঙ থাগী ২৫গী অয়ূক পূং ৮.৩০রোম তারকপদা আর কে খেরোদাসনানা পাউ পীরক্তুনা খঙহল্লকখিবনি হায়রি।

য়ু এন এম এমগী দল্লিয়ু সি কোওর্দিনেটর মোনিকা চনুনা থোরকখিবা চেরোল অসিনা হায়বদা, নুপী অসিগী লৈকায়গী মীওইশিংনা ফোঙদোরকপদা মহাক শুবা-নোম্বা কনবী নুপীনি। কনাগুম্বা অমনা মঙোন্দা মতেং পাংনবা হায়রুবদা হিক্তোক্তবী নুপীনি। অদুবু মপুরোয়বা লৈখিদ্রবা মতুংদগীদি মহাক য়ু থকপা হৌরকখি হায়রি।

লোয়ননা কুমজা ২০১৭কী সেপ্টেম্বর ৮গী নুমিদাংদসু প্রভিস চনম (২২) কৌবা মহৈরোয় অমসু মমান্নবা অহুমগা লোয়ননা ঈশৈ নোংমাইগী থৌরম অমা য়েংবা চৎখিবদগী মাঙলুবা থৌদোকসু লৈখি। মরম অসিনা নোংমৈ অমসুং দ্রগ লল্লোনবগী মতুংদা মীওইবগী হকচাং কয়াৎশিং লল্লোনবগী থবকশিং চথনরকপনা মফম খঙদ্রিবা শগোলশেম তোলিকাগী মতাংদসু হ্যুমেন ত্রাফিক্কিং নৎত্রগা ওর্গান ত্রাফিক্কিং তৌখ্রবরা হায়বগী অকনবা চিংনবা অমা কম্মিতি অসিদা লৈরে হায়রি। মরম অদুনা মণিপুর অমসুং দিল্লি লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা মীওই অসিবু তেক্ত-কায়দনা মহাক্কী ইমুংদা শিন্নবীনবা আপীল তৌরক্লি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৩ (ঐচএনএস): শিংজমৈ চীংঙামখা ইরোম লৈরক্তা লৈবা ইমোইনু কলচরেল ওর্গনাইজেশন (ঈ সি ও)গী দ্রামা আর্টিষ্টশিংবু লমজিং লমতাকপীরম্বা শিংজমৈ চীংঙামখা নিংথৌজম লৈকায়দগী মৈকাম কিরননা কোভিদ-১৯না মরম ওইরদুনা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা ওর্গনাইজেশন অসিগী আর্টিষ্টশিংনা অৱাবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি হায়রি।

**FOREX (INDIA RUPEES)**

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 89.583602 |
| US Dollar | 73.899973 |
| British Pound | 99.271962 |
| Australian Dollar | 54.831523 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.278768 |
| Japanese Yen | 0.708610 |
| Malaysian Ringgit | 18.138336 |
| Singapore Dollar | 55.274427 |
| South Korean Won | 0.067670 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.706659 |
| Thai Baht | 2.448213 |
| Myanmar Kyat | 0.05625 |
| Bangladesh Taka | 0.87261 |

**Spot Gold (24K) Rates/10gm**

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 49392.00 |
| Mumbai | – | Rs | 49150.00 |
| Delhi | – | Rs | 49034.00 |
| Kolkata | – | Rs | 49230.00 |

## জষ্টিস নোবিনগা ওনলাইন ইন্টরেক্সন সেসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৩ (ঐচএনএস): মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা)গী এগজিক্যুটিভ চ্যেরমেনসু ওইরিবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ লোগী মহৈরোয়শিংগী মরক্তা ওনলাইন ইন্টরেক্টিভ সেসন অমা পাঙথোকখ্রে।

মসলসাগী দেপ্যুটি মেম্বর সেক্রেটরি সোরোকখাইবম সদানন্দনা থোরকখিবা চেরোল অমনা হায়বদা, ঙসিগী ওনলাইন ইন্টরেক্টিভ সেসন অদু জিটসি মীট প্লেটফোর্মগী খূথাংদা নুংথিলগী পূং ২ দগী ৩ ফাওবা চঠখিবনি হায়রি।

প্রোগ্রাম অসিদা মীয়ামদা লিগেল এৱারনেস পীবগী মরু ওইবা অমসুং লো তম্লিবা মহৈরোয়শিংনা লিগেল এৱারনেসশিং মীয়ামদা পীবগী তঙায়ফদবগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি।

ওনলাইন সেসন অসিদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী দিপার্টমেন্ট ওফ লোগী মহৈরোয় ৪২ না শরুক য়াখি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা, মসলসানা টার্গেট ওদেন্সকী মখাদা নহা ওইরিবা উকিলশিং, লো য়ুনিভর্সিটি/কোলেজ/ইন্সটিট্যুশন অমসুং মণিপুরগী মহৈরোয়শিংদা ওনলাইন লেকচর কম ইন্টরেক্টিভ সেসনশিং পাঙথোক্তুনা লাক্লি। মসিগী মরু ওইবা পান্দমদি লিগেল প্রোফেশনদা পূক্নিং চঙহনবা অমসুং মসিবু মালেমগী ওইবা মীৎয়েংশিংগা চুশিন্নহন্নবনি হায়রি।

## ৱাহৈ-ৱাতা ফজদবা এনিমেসন...

*লামায় ১গী মখা...* ফোঙদোরক্লি। হৌজিক-হৌজিক য়ু ট্যুব চেনেলদা মণিপুরী লোল ময়েক শেংবোই-শেংদবোই ঙাঙবা এনিমেসন কার্টুন মুভিজ কয়া থেংনরে। হায়রিবা এনিমেসন কার্টুন ভিদিওশিং অসিদা অঙাংদা ঙাঙহন্নিংদবা ফজদবা ৱাহৈ-ৱাতা কয়া শিজিন্নবা য়াওরি। থা কয়াদগী অঙাংশিংসু কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইদুনা স্কুল কাদবদগী অয়াম্বা অঙাংশিংনা মোবাইল অমদি টি ভিদা এনিমেসন কার্টুন কয়া য়েংদুনা মতম লেল্লি।

টি ভিদা লাক্লিবা কার্টুন অয়াম্বদি ইংলিস অমদি হিন্দি লোলদা লাকপা মরম্না হায়রিবা মণিপুরী লোলদা ঙাঙবা য়ু ট্যুব চেনেলদা অপলোদ তৌনরক্লিবা এনিমেসন কার্টুনশিং অঙাংশিংনসু য়াম্না পাম্না য়েংনরি। অদুবু হায়রিবা মণিপুরী লোলদা ঙাঙবা এনিমেসন কার্টুন ভিদিওশিং অসিদা অঙাংশিংগী লমচৎ-শাজৎ অমদি ৱাঙাঙ-শাঙাঙদা চাওনা অকায়বা পীগদবা ৱাহৈ-ৱাতা কয়া শিজিন্নরি। মণিপুরী লোলদা ঙাঙবা এনিমেসন কার্টুন মুভিজশিং অসি কনানা থাগৎলিবনো হায়বসু চপচানা খঙবা ঙমদ্রি। মরমদি য়ু ট্যুবতা য়াওরিবা হায়রিবা এনিমেসন কার্টুন ভিদিওশিংগী দিটেলস ময়েক শেংনা য়াওদে। শুপ্পগী এনিমেসন কার্টুন ভিদিওশিংগী টাইটল খক য়াওবা থেংনৈ। খুদম ওইনা হায়রবদা 'তোম্বা-চাওবা মণিপুরী জোক্স মণিপুরী কোমেদি কার্টুন মণিপুরী মুভি মেন, মণিপুর কোমেদি মোবাইলদা ঙাঙবা মণিপুরী কার্টুন মণিপুর মুভি, ইমা ঐ নুপী চেল্লে মণিপুর কোমেদি মণিপুরি কার্টুন মণিপুর মুভি মনিপুরী মেরিয়জ, পবজি বেন মণিপুর কোমেদি মণিপুরী কার্টুন অমদি দিৱালিগী পৈশা পিরো মণিপুর কোমেদি মণিপুরী কার্টুন মণিপুর মুভি' নচিংবা হায়রিবা টাইটলশিং অসি য়ু ট্যুবতা থিবিরগা য়েংবদা মীয়াম্নসু হেন্দোক্না মণিপুরী লোলদা ঙাঙবা এনিমেসন কার্টুন ভিদিওশিং অসিদা শিজিন্নরিবা ফজদবা ৱাহৈ-ৱাতাশিং অদু খঙবা ঙমগনি।

অসিগুম্বা অঙাংশিংবু অরানবা লম্বীদা পুগদবা এনিমেসন কার্টুন ভিদিওশিং অসি য়ু ট্যুব চেনেলদগী তঙাইফদনা লৌথোকপা মথৌ তাই। মসিনা অঙাংশিংগী লমচৎ-শাজৎতা অমদি ৱাঙাঙ-শঙাঙদা চাওনা অহোংবা কয়া পীবা হায়বদু ওইরে। মরম অদুনা হায়রিবা মণিপুরী লোলদা ঙাঙবা এনিমেসন কার্টুন ভিদিওশিং অসি কদাইদগী কনানা থাগৎলকপনো হায়বদু থিদোকপীদুনা মখা তানা অসিগুম্বা এনিমেসন কার্টুন ভিদিওশিং থাগৎলক্তনবা ৱারক-ৱাতেম্বা চুমগনি। নৎত্রবদি হৌগৎলক্লিবা অঙাংশিংগী লমচৎ-শাজৎ অমদি ৱাঙাঙ শঙাঙদা চাওনা অকায়বা য়াওরক্তুনা মণিপুরী লোলদা অচৌবা অমাঙবা কয়া পীরকপা য়াবগী অকিবসু লৈতবা নত্তে। লোয়ননা অসিগুম্বা ফজদবা ৱাহৈ-ৱাতা শিজিন্নবত্তা নত্তনা মণিপুরী লোল ময়েক শেংনা ঙাঙদবা মরম্না পীক্লিবা অঙাংশিংগী মকোক্তা চুখিদুনা মদুগী মতৌ তমখ্রবদি চহী চা কয়াদগী ঙাঙনরক্লিবা লোল অসিদা অচৌবা চৈথেং কয়া লাকপগা লোয়ননা হৌরক্লিবা অঙাংশিংদা লোলয়ান কা হেন্না ঙাঙনবগী চাং হেনগৎলক্কনি। থৌওং অসিনা মণিপুরী লোলগী ফজবা অমদি মণিপুরী লোলগী শক্তম কায়থরক্নবগী অচৌবা মরম অমা ওইরকপসু য়াই। মরম অদুনা মরি লৈনবশিংনা ৱাহৈ-ৱাতা ফজদবা ৱাঙাঙ য়াওবা মণিপুরী লোলদা ঙাঙবা এনিমেসন কার্টুন ভিদিওশিং অসিগী মতাংদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবিদুনা অসিগুম্বা কার্টুন ভিদিওশিং অসি য়ু ট্যুব চেনেলদগী লৌথোকখিনবা অমদি মখা তানা অপলোদ তৌরক্তনবা থৌরাং থৌশিল পায়খৎপীয়ু হায়নসু পেরেন্টশিং অদুনা মখা তানা পাউচে অসিগী খুৎথাংদা ফোঙদোরকখি।

## বি এস এফ পর্সনেলশিংগী ইমুংশিংদা খূদোল তমখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৩ (ঐচএনএস): লৈবাক অসিগী য়ুনিটি অমসুং ইন্টিগ্রিটি ঙাক্তুনা থম্নবগীদমক লৈবাক অসিগী ঙমখৈশিং ঙাকপদা শরুক য়ারিবা বোর্দর সেক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ) পর্সনেলশিংগী মরক্তগী থৱায় কখোকখ্রবা মণিপুরগী লৈখিদ্রবা পর্সনেলশিংগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা মেমেন্টো অমসুং খূদোলপোৎশিং পীদুনা ইকায় খুম্নখ্রে হায়রি।

১১৩শুবা বট্টালিয়ন বোর্দর সেক্যুরিটি ফোর্সকী কমান্দেন্টকী মায়কৈদগী দেপ্যুটি কমান্দেন্ট (এদজুটেন্ট) ধ্রুভ সিংহনা থোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না, মেমেন্টো অমসুং খূদোলপোৎশিং অসি বট্টালিয়ন অসিগী কমান্দেন্ট হিদম সুবোলগী লমজিং মখাদা বি এস এফকী ৫৬শুবা রেজিম ডেগী থৌরমদা পীখিবনি হায়রি।

## দিসক্বালিফিকেশন কেসকী ...

*লামায় ১গী মখা...* চঠরবা মতুংদা কেসশিং অসিগী পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদা লেপ্লিবা সেনিয়র কাওন্সেলনা মহাক্কী ওইবা ৱাফমশিং থম্নবগী খুদোংচাবা মতম ফংলগদি দিসক্বালিফিকেশনগা মরী লৈনবা কেসশিং অসিগী ৱায়েল হয়েংমক লোইশিল্লবা য়ানা লৈখ্রে।

পনবা য়াবদি, হৌজিক দিভিজন বেঞ্চ অসিদা কেসশিং অসিগী ৱায়েলগী থাক অসি 'পার্ট হর্দ' কী ষ্টেজদা লৈরক্লবনি।

## লৈখিদবা মশীং ৩ হেনগৎলক্তুনা ...

*লামায় ১গী মখা...* ইষ্টতগী ৪১, থৌবালদগী ১০, বিষ্ণুপুরদগী ১৭, ককচিংদগী ৩, উখ্রুলদগী ২, তমেংলোংদগী ৪, সেনাপতিদগী ১, চুড়াচান্দপুরদগী ৭ অমসুং তেংনৌপলদগী ১ য়াওরি। পোজিটিভ ওইরবা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী মীওই খূদিংমক মণিপুরগী মপান্দা চৎলুবগী ত্রাভেল হিষ্ট্রি লৈতবা মীওই ঙাক্তনি। মীওইশিং অসি কোভিদ ক্যের ফেসিলিটিদা থমখিবগ লোয়ননা মেদিকেলগী ওইবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎখ্রে। কন্টেক্ট ট্রেসিংগী থবকসু চঠখরি। লোয়ননা মীওই ২৩৫ সু নৌনা দিসচার্জ তৌখ্রে হায়রি।

## পিটিস্নরনা সুপ্রিম কোর্টতা ...

*লামায় ১গী মখা...* কাওন্সেল অসেম মোহেন্দ্রো অমসুং অজয় পেবমনা তৌরকখিবা সবমিশনশিং কোর্টনা তাখি। লোয়ননা রিভিয়্যু পিটিশন অসিগী রেস্পোন্দেন্ট নম্বর-১ ওইরিবা এস বিরগী মায়কৈদা লেপখিবা কাওন্সেল সর্টো টি কোমগী মায়কৈদগী তৌরকখিবা সবমিশনশিংসু তাখিবনি। অদুগা নুমিৎ অসিদগী রিজর্ভ তৌদুনা থম্লকখিবা হীয়ারিং অসিগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দরনা ঙসি লাউথোকখিবনি।

পূন্না লামায় ২৬ পানবা কোর্টকী ওর্দর অসিনা পিটিস্নরগী ইলেক্সন পিটিশনগা মরী লৈনবা রিভিয়্যু পিটিশন অসি দিসমিস তৌদুনা দিস্পোজ তৌখ্রবসু পিটিস্নরগী মায়কৈদগী মেট্টর অসিগা মরী লৈনবা লোগী মতাংদা সুপ্রিম কোর্টতা আপীল অমা ফাইল তৌনিংবগী অপাম্বা লৈরে হায়দুনা ফোঙদোকখি। লোয়ননা পিটিস্নর এন মঙ্গিগী মায়কৈদগী এস বির য়াওনা রেস্পোন্দেন্ট অহুমগী মথক্তা ফাইল তৌরক্লিবা ইলেক্সন পিটিশন অসিগী মখা তাবা ৱায়েলশিং চঠনবগীদমক বেঞ্চ অসিদা মেট্টর অসি জানুৱারি ১৪, ২০২১ শগোলশেন নুমিত্তা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবসু কোর্টনা দিরেক্সন পীখি।

পনবা য়াবদি, ইলেক্সন পিটিশন অমসুং মসিগা মরী লৈনবা রিভিয়্যু পিটিশন অসিগী রেস্পোন্দেন্ট নম্বর-১ ওইরিবা এস বির অসি কুম্বী এ সিগী এম এল এ ওইবদগী হৌখিবা জুন ১৮ দা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা কন্সটিট্যুশন ওফ ইন্দিয়াগী টেন সেদ্যুল্ডগী মখাদা লিংলিবা ত্রাইব্যুনেলনা এম এল এ ওইবদগী দিসক্বালিফায় তৌখ্রবনি। মসিগী মতুংদা হৌজিক লাক্লিবা ৱাফম্না দিসক্বালিফায় তৌখ্রবা এক্স-এম এল এ অমগী মথক্তা মহাক্না রিটর্ন কেন্দিদেট ওইরকখিববু চেলেঞ্জ তৌরক্লিবা ইলেক্সন পিটিশন অসি খন্নদুনা মসিগী ৱায়েল চথগদ্রা নৎত্রগা মহাক্না দিসক্বালিফায় তৌখ্রবনা মহাক্কী মথক্তা ফাইল তৌরক্লিবা ইলেক্সন পিটিশন অসি ইনফ্রক্চুস ওইরব্রা নৎত্রগা ওইদব্রা হায়বগী মতাংদনি।

## [illegible] / মীওই অনী পামজে

মশাগী চহী ৩৫ দগী ৫৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা চৌকিদারগী থবক পুবগা লোয়ননা ইংখোল কোইবা হৈবা মীওই অনী অথুবগী ওইনা পামজে। তোলোপ মতীক চানা পীজগনি।

অকুপ্পা মরোলগীদমক মখাগী মোবাইল নম্বর অসিদা অয়ূক পূং ১০ দগী নুমিদাংৱাইরম পূং ৫ ফাওবগী মনুংদা পাউ ফাওবীরকপা য়াগনি।

HL-C/4/20 **# 7423081322**